**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 29-10-2025)**

**চাইল্ড (এল)ঃ** মনিপুর ষ্টেট কমিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটসকী চেয়ারপাসন-কৈশাম প্রদিপকুমারনা হায়রি-রাজ্য অসিদা হৌখিবা চহি খরা অসিদা অঙাংশিংগী পুকিং ৱাখলগী লায়না নাবগী চাং হেনগৎলক্লি অসি কোকহন্ননবা মনিপুর স্পিসিফিক প্রোটেক্সন মোদ্যুল অমা শেম্বগী তঙাইফদবা লৈ।

নেসনেল কমিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটসনা মনিপুর কমিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটসকা খুৎশমদুনা ঙসি ইম্ফালদা পাঙথোকপা অঙাংশিংগী হক ঙাকবা লৈরিবা আইনশিং থবক্তা ওন্থোকপদা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং হায়বা হীরমদা পাঙথোকপা রাজ্য থাক্কী খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমদা ৱা ঙাংবদা শ্রী প্রদিপকুমারনা হায়-হৌখিবা চহি অনিরোম অসিদা রাজ্য অসিদা লৈরিবা অঙাংশিংদা পুকিং ৱাখলগী লায়না নাবগী চাং হেনগৎলক্লি। লাঞ্জেন্নরিবশিং য়াওনা পুন্না অঙাং মরিরোম লৈখিদ্রে। মসি ইচম চম্বা অনাবা ওইনা উবা লানগনি। রাজ্য অসিদা থোক্লিবা ইরাংনা মরম ওইরগা মমা-মপা কায়নখিবা, য়ুম লৈফম লৈতবা, লাইরিক তম্বা ফংদবা অমদি নীংথিনা চাবা থকপা ফংদবগী খুদোংচদবা কয়া অসিনা থোকহল্লকপা প্রোটেক্সন ফেলরনি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা নেসনেল কমিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটসকী মেম্বর সেক্রেটরি-ডা: সঞ্জিব শর্ম্মনা হায়-কেন্দ্র অমসুং রাজ্য সরকারনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা অঙাং খুদিংমক্কী হক ঙাকনবা হোৎনরি। সরকারগী পান্দম অসি মায় পাকহন্নবা হোৎনবদা লৈরিবা ষ্টেকহোল্ডর খ্দিংমক্কী দায়ত্ব লৈ।

থৌরম অদুদা রাজ্যগী সোসিএল ৱেলফিয়ার বিভাগকী সেক্রেটরি-রোবার্ট

সিংহ ক্ষেত্রিময়ুম, মনিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগী চেয়ারপাসন-কাংজম খগেন্দ্র য়াওনা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

**মুইভা (এল)ঃ** এস.এস.সি.এন (আই.এম) লুচিংবা টি.ঐচ. মুইভা, ঙসি সেনাপতি জিলাদা মীয়ামনা হরাও তয়ামা ওকখ্রে। য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিলনা শিনদুনা পাঙথোকপা থৌরমদুদা সেনাপতি জিলাদা লৈরিবা খুল কয়াগী লুচিংবশিং শরুক য়াখি।

থৌরম অদু লোয়রবা মতুং টি.ঐচ. মুইভা কেম্প হেব্রোনগীদমক সেনাপতি থাদোকখি।

**থৌবাল (এল)ঃ** য়ামা লাইবক থিবা থৌদোক অমদা ওইনা ঙসি থৌবাল জিলাগী হৈরোক্তা লৌ য়ৈরিঙৈদা মীওই অমা লৌ য়ৈবগী মেছিননা চপ্পদগী য়েৎ থংবা খুৎ তৎলে হায়রি।

থৌদোক অদুদা শোক্লবা মীওই হৌজিক শিজ হোস্পিতালদা লায়েংলি।

**মীহাৎ(এল)** ঃ ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী য়াইস্কুলদা মীয়াই চল্লবী নুপী অমবু তমথিনা হাৎলম্বগী থৌদোক্তা চেন্নবশিং অথুবদা ফাবীনবা য়াইস্কুল ভোলুন্টিয়ার ওর্গনাইজেসননা ইম্ফাল ৱেষ্টকী এস.পিদা অইবা চেরোল পীদুনা তকশিনখ্রে।

চেরোল অদুনা হায়-থা অসিগী ১৩ গী নুংথিল পোবোপ্তা থোকখিবা তমথিরবা থৌদোক অদু থা মখায় অমা ফাজিল্লক্লে। থৌদোক অদুনা মরম ওইরগা মীয়ামদা মীপায়বা পোকহন্নবা মরম অমা ওইরি। মরম অদুনা থৌদোক অসিগী মতাংদা রাজ্য পুলিসনা অকনবা মওংদা থবক লৌখৎতুনা চেন্নবশিং অথুবা মতমদা ফাবিয়ু।

**ককচিং (এল)ঃ** রিমস ইম্ফালগী ত্রান্সফ্যুজন মেদিসিন দিপার্টমেন্ট অমসুং

এসোসিয়েসন ওফ ভোলুন্টরি ব্লড দোন্নরস মনিপুর-থৌবাল ব্রান্সনা খা-মনিপুর কলেজ ককচিংগী ইন্টরনেল ক্কালিতি এসুরেন্স সেল, এন.সি.সি. য়ুনিট অমসুং এন.এস.এস. য়ুনিটকা পুন্না শিনদুনা ঈ-দান তৌবগী মতাংদা মীয়ামগী নীংথিনা খঙহন্নবগী মাস এৱারনেস কেম্পেহন অমা কলেজ অসিদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

‘ঈ পীসি, আশা থমসি, অমত্তা ওইনা থৱায় কনসি’ হায়বসিদা ঙসি পাঙথোকখিবা ঈ দান তৌবগী থৌরম অদুদা মীওই কয়ানা ৱা ঙাংখি।

**থৌবাল (এল)ঃ** লৈমপোকপম মুহিন্দ্রো হায়স্কুল-অথোকপমনা শিনদুনা ঙরাংদগী চত্থরকপা মরিশুবা একাডমীক মোদেল ইগজিবিসন কম আর্টস এন্দ ক্রাফটস ফেষ্টিব-২০২৫ ঙসি লোয়শিনখ্রে।

লোয়শিনবগী থৌরমদা শরুক য়াখিবা এম.এল.এ. সুরজকুমার ওক্রমনা হায়-ভারত অসি মালেমগী ওইনা সুপর পৱার শোয়দনা ওইরক্কনি হায়বসি মীপুম খুদিংমক্কী অচেৎপা থাজবনি। মসি লৈবাক অসিগী নহারোলশিংগী হৈথোই শিংথোইবা অমদি মশিং য়াম্বা অসিনা ওইথোকপা ঙমগদৌরিবনি। মরম অদুনা, লমদম অসিগী তুংগী পুন্সি লেপকদৌরিবা নহারোলশিংবু হীরম খুদিংদা হৈথোই শিংথোইনবা হোৎনগদবনি হায়না মহাকা মখা তাখি।

**নোনে (এল)ঃ** মনিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেন অমসুং দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন-নোনেনা পুন্না শিনদুনা সেক্সচুয়েল হরাজমেন্ট ওফ ৱিমেন এট ৱাক প্লেস (প্রিভেন্সন) প্রোহিবিসন, এন্দ রিদ্রেসেল এক্ট-২০১৩ গী মতাংদা মীয়ামদা নীংথিনা খঙহনবগী থৌরম ঙসি নোনে জিলাগী দি.সি. ওফিস কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু নুপীশিংনা থবক শুফমদা অশোয় অঙাম য়াওদনা অমদি ইকায় খুমবগা লোয়ননা থবক শুজনবগী মতাংদা মীয়ামদা খঙহননবা পাঙথোকপনি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা মনিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেনগী চেয়ারপার্সন-

তিনিংফম মোনশাংনা হায়-থবক শুফমশিংদা নুপীশিংবু তাথি-তাওইনা অমদি সোসিএল হরাজমেন্ট পীবদা অথিংবা থল্লিবা এক্ট অসিনা নুপীশিংনা থবক শুফমশিংদা অশোয় অঙাম য়াওদনা অমদি ইকায় খুমনা থবক শুবা ঙমজনবগী অধিকার পীরি। সরকার অমদি লন্নাইগী ওফিসশিং, স্কুলশিং অমদি অতৈ থবক শুফমশিংদা থবক তৌরিবা নুপীশিংনা অকিবা য়াওদনা অমদি অচান মীরাই নায়দনা থবক তৌবা ঙমবা আইন অসিনা অচৌবা ঙাক্লৌ পীরি।

মহাকা হায়-আইন অসিনা নুপীশিংগী হক ঙাকনবা হোৎনজরবসু মীয়ামা নুপীশিংদা য়েংলিবা মীৎয়েং হোংদোকহন্নবা নীংথিনা এৱারনেস পীবগী তঙাইফদববদি লৈরি। রাজ্য অসিদা লৈরিবা থবক শুফম খুদিংমক্তা নুপীশিং থবক শুবদা অশোয় অঙাম য়াওদনা অমদি ইকায় খুমবগা লোয়ননা থবক শুবা ঙমবা কম্মিসন অসিনা থবক পায়খৎলি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা নোনে জিলাগী দি.সি. সরতচন্দ্র অরোজ, নোনেগী এস.পি. নাম সদসাই পিটর য়াওনা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

**ফেরজোল (এল)ঃ** হৌজিক চথুরিবা সরদার এদ-১৫০ থৌরমগী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি-ফেরজোলনা নেসনেল দি-ৱার্মিং দ্রাইবকী অনিশুবা রাউন্দ পারবুংদা লৈবা পি.এন.এস. স্কুলদা হৌদোকখ্রে।

থৌরম অদু জিলা অসিগী চীফ মেদিকেল ওফিসার-ডা: মংলামখুপ কোমনা হৌদোকখি। থৌরম অদু হৌদোক্লদুনা সি.এম.ওনা হায়-মহেরোইশিংগী হকশেল ফগৎহন্নবা অমসুং থিরিলদা পেরাসাইতিক ইনফেক্সন লৈতনবা তিল হিদাক পীজবা হায়বসি য়ামা তঙাইফদে।

থৌরমদুগা মরী লৈননা শা-ঙা, তিল-কাংনা চিকপগী মতাংদা মীয়ামবু হেন্না খঙহন্নবা থৌরম অমসু পাঙথোকখি। করিগুম্বা শা-ঙা, তিল কাংনা চিক্লবদি অথুবা মতমদা চেকশিন থৌরাং লৌখৎতুনা মতম চানা লায়েংহৌগদবনি।

**উখ্রুল (এল)ঃ** নুমিৎ হুমনি চুপা চথ্থগদবা ৮ শুবা এদুকেসন ফেষ্টিবেল ২০২৫ ঙসি উখ্রুলগী য়ু.বি.সি. জল্লি হোলদা জিলা অদুগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-অশিশ দাসন হৌদোকখ্রে।

রাজ্যগী থাক্তা স্কুলশিংগী ওইনা পাঙথোকপা চাংদমবা অদুদা উখ্রুল অমসুং কামজোং জিলাদা লৈবা তোঙান তোঙানবা স্কুল ২১ না শরুক য়ারি।

**এনআইটি (এল)ঃ** ভিজিলেন্স এৱারনেস ৱিক-২০২৫, ঙসি লমফেলদা লৈবা ইন্সটিট্যুট ওফ টেকোলোজি (এন.আই.টি) মনিপুরদা হৌদোকখ্রে।

থৌরমদুগী শরুক অমা ওইনা ইন্সটিট্যুট অদুগী ষ্টাফশিংনা মখোয়গী মথৌ পাঙথোকপদা পুকচেল শেংনা অমদি মনুং মপান ফাওনা থবক তৌগনি হায়বগী ৱাশক লৌখি।

**ওরিয়েন্টেল(এল)ঃ** ওরিয়েন্টেল কলেজগী ইন্টরনেল ক্বালিতি এসুরেন্স সেল কেরিয়ার কাউন্সিল্লিং গাইদেন্স অমসুং প্লেসমেন্ট সেলনা শিনদুনা কেরিয়ার কাউন্সিল্লিং কম প্লেসমেন্ট এসিষ্টেন্টস প্রোগ্রাম মায় পাকা কলেজ অসিগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসি পাঙথোকপগী মরুওইবা পান্দমদি, মহৈরোইশিংবু তোঙান তোঙানবা থবকশিংগী খুদোংচাবশিং করমা ফংগদগে অমদি হৌজিক্কী কম্পিটিসনগী যুগ অসিদা করমা থেংনগদগে হায়বদুগী মতাংদনি। থৌরমদুদা রিছোর্স পাসন কয়ামরুমনা এভিয়েসন, হোস্পিতালিতি য়াওনা তোঙান তোঙানবা লমশিংদা করমা থবক চংগদগে হায়বদুগী মতাংদা ৱা ঙাংখি।

**মীতিং (এল)**ঃ  দিষ্ট্রিক্ট দিবলপমেন্ট কো-ওর্দিনেসন অমসুং মোনিটরিং কমিতি (দিসা) ইম্ফাল ইষ্টকী ওইনা শেনবা চহি ২০২৫-২৬ কী অহানবা অমসুং

অনিশুবা ক্বাটরগী মীফম পাঙথোকখ্রে।

লোক সভা সদস্য-ডা: অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা সভাপতি ওইদুনা মীফম অসি ইন্ফাল ইষ্টকী দিপ্যুতি কম্মিস্নারগী কনফরেন্স হোলদা থা অসিগী ২৭ অমসুং ২৮ দা পাঙথোকখিবনি।

**মৈ (এল)ঃ** এলভেন কে.ভি. ৱাংখৈ ৱান ফিদরনা কোনবা মফমশিং হয়েং অয়ুক পুং ৯ দগী নুংথিল পুং অনি ফাওবা মৈ মুৎকনি হায়রি।

এম.এস.পি.দি.সি.এলনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-ঐচ.টি. পোলশিং য়ুংবা অমদি অতৈ থবক থৌরমশিং পাঙথোক্কদবনা ফিদর অসিনা কোনবা মফমশিং হায়রিবা মতম অসিদা মৈ ফংলোই।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা মন্বাইদা হৌজিক চথরিবা মেরিটাইম লিদরসিপ কনক্লেপতা সিপ্পিং অমসুং সিপ বিল্ডিং সেক্তরদা অনৌবা থৌশিল থৌরাং কয়ামরুম হৌদোকখ্রে।

মীপম অদুদা ৱা ঙাংবদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-থৌরম অসি ইং ২০১৬ তা হৌদোকখি অমদি ঙসিদি লৈবাক অসিগী ওইনা য়ামা চাউথোকচনিংঙাই ওইবা মীফম অমা ওইরক্লি। মহাকা হায়-মীফম অসিদা মালেমগী লৈবাক ৮৫ গী মীহুৎশিং শরুক য়াবা অসিমকা মীয়ামদা চাউরবা পাউজেল অমা পীরি।

শ্রী মোদিনা হায়-সিপিং সেক্তরগা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্ট কয়ামরুম শঙ্গরে অমসুং লুপা কোতি কয়ামরুমগী য়ান্ন-ৱারোল সহি তৌনরে। মসিনা তাকপদি ভারতকী মেরিটাইমগী লমদা তৌবা ঙম্বা অসিদা মালেমগী লৈবাক কয়ানা থাজরি হায়বদু উৎপনি।

শ্রী মোদিনা হায়-২১ শুবা চহি চা অসিদা ভারতকী মেরিটাইম সেক্তর অসি হেন্না মপাঙ্গল কনখৎপগা লোয়ননা মাংলোমদা খুমাং য়াংনা চংশিল্লি। মহাক া হায়-চহি অসিমক ভারতকী ওইনা মেরিটাইম সেক্তরদা খ্বাইদগী মরুওইবা

চহিনি। ইং ২০২৪-২৫ দা ভারতকী মরুওইবা হিথাংফমশিংনা খ্বাইদগী মশিং য়াম্বা কার্গো হেন্দল তৌদুনা অনৌবা রেকোর্ড শেমখি।

প্রধান মন্ত্রিনা হায়-কন্দালা ফোর্টনা অহানবা মেগাৱাট স্কেল ইন্দিজিনস গ্রীন হাইদ্রোজেনগী খুদোংচাবা লৈবা অহানবা হিথাংফম ওইরে

**মীফম ঃ** পার্লিয়ামেন্টরি এফিয়ার্স মন্ত্রালয়না হয়েং ন্যু দিল্লিদা নেসনেল ই-বিধান এপ্লিকেসনগী অহুমশুবা জাতিগী মীফম পাঙথোক্লগনি।

মন্ত্রালয়না হায়-মীফম অসিনা রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংদা নেসনেল ই-বিধান এপ্লিকেসনগী থবক থৌরমশিং পায়খৎলিবা অদু কয়া য়ামা খুমাং চাউশিল্লবগে হায়বদু য়েংশিনবগী মরুওইবা প্লেটফোর্ম অমা পীরগনি।

মীফম অদুদা এপ্লিকেসন অসিগী প্লেটফোর্মশিং বিধান সভাশিংদা করমা শিজিন্নগদগে হায়বদুসু খণ্ডহনগনি।

**বিহারঃ** ছত পুজা লোয়খ্রবা মতুং বিহারদা মীখলগী কেম্পেইন কনখৎলক্লি। রাজনিতি দলশিংগী শকাইরবা লুচিংবশিং অমসুং স্তার কেম্পেইনরশিংনা রাজ্য শিনবা থুংবদা পাঙথোকপা তোঙান তোঙানবা মীয়ামগী রেল্লিশিংদা শরুক য়ারি। সরকার পায়রিবা অমসুং বিরোধি দলশিংনা অমনা অমবু হুন্নদুনা ৱা ঙাংলি।

বি.জে.পি. লুচিংবা অমসুং গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহ, ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহনা ঙসি তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লিশিংদা শরুক য়াখি।

বি.জে.পিনা সাসন তৌবা রাজ্যশিংগী মুখ্য মন্ত্রিশিংসু শরুক য়াখি। বিরোধিগী মায়কৈদগীসু লুচিংবা কয়ানা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোকপা মীখলগী কেম্পেইনশিংদা শরুক য়ারি।

কংগ্রেস লুচিংবা অমসুং লোক সভাগী বিরোধি লুচিংবা-রাহুল গান্ধিনা মহাগত-বন্ধনগী ওইনা বিহার বিধান সভা মাখলগী কেম্পেইন মুজাফরপুরদা

হৌদোকখ্রে।

মফম অদুদা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীতিন অমদা ৱা ঙাংবদা শ্রী রাহুল গান্ধিনা হায়-বি.জে.পিনা নিতিশ কুমারবু শিজিন্নদুনা সরকার অসি রিমোর্ট কন্ট্রোলগী খুত্থাংদা চল্লাইরি। বি.জে.পিনা সোসিএল জষ্টিসকী মরমদা করিগুম্বা অমত্তা থৌশাদে হায়না মহাকা মরাল শিখি।

শ্রী গান্ধিনা হায়-বিহারদা করিগুম্বা শক্তি পায়রবদি মহাগত-বন্ধননা কোলকরখানা লিংদুনা রাজ্য অসিগী মীয়ামদা থবক পীননবা পান্দম থল্লি। মহাকা হায়-গুদস এন্দ সার্ভিসেস টেক্স অমসুং দিমোনিটাইজেসনগী থৌশিলনা পীকা করবার তৌরিবা মীওইশিংদা চাউনা খুদোংচাদবা মায়োকহল্লে।

**পোলো** ঃ মনিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসনগী মখাদা চথরিবা ৩৮ শুবা এন.হজারি এন্দ ডা: এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-মনিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব টিম (এ) না পেরেদাইজ পোলো ক্লব-ৱাংখৈবু পাঞ্জল ১৬-২ দা থোইখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা-থাংমৈবন্দ য়ুথ পোলো ক্লবনা ইবুধৌ মারজিং পোলো ক্লব-হৈঙাংবু পাঞ্জল ১৩-১ দা থোইখি।

**জিরিবামঃ** খেল্লো ইন্দিয়াগী মনং চন্না ৪৮ শুবা বটালিয়ন সি.আর.পি.এফনা শিনদুনা পাঙথোকপা জিরিবাম ফুটবোল টুর্নামেন্ট ঙসিদগী জিরিবাম হয়ার সেকেন্দরি স্কুলগী শান্নবুংদা হৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিদা সেনিয়ারগী কাংলুপ্তা টিম ৯, জনিয়ারদা টিম ৮ পুন্না ১৭ না শরুক য়ারি। ঙসি অহৌবা মেটচতা নমদাইলোং য়ুথ ক্লবনা কমরঙ্গা খাসিবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখি।

**ক্রিকেটঃ** ভারত রতা শ্রী অতল বিহারি ভাজপায় একনা ক্রিকেট ষ্টদিয়ম-

লক্ষনৌদা ঙসি শান্নখিবা নুপীগী চহি ১৯ মখাগী টি-টোইন্তি ত্রোফি প্লেট ক্রিকেটতা মনিপুরনা মিজোরামবু ৱিকেট মঙাদা থোইখি। হান্না বেটিং তৌখিবা মিজোরামনা অপিবা ওভরদা ৱিকেট ৮ তুরগা রন-৮৬ লৌখি।

পান্দম অসি মনিপুরনা ওভর ১৮ বোল মরিদা ৱিকেট মঙা তুরগা য়ৌবা ঙমখি।

**ফুটবেলঃ** চেংদাই ফোর জিরো ফোর স্কাউদনা অমুর ফালকোন ফুটবোল টুর্নামেন্ট লৌরে।

তমেংলোংদা লৈবা এপোলো গ্রাউন্দদা শান্নখিবা ফাইনেলদা চেংদাইনা দুইগাইলোং এফ.সিবু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখিবনি। টুর্নামেন্ট লোয়শিনবগী থৌরমদা জিলা অসিগী এস.পি-এল. লুইখম, সি.আর.পি.এফকী কন্মান্দেন্ট-এন. কুঞ্জরানিনচিংবা শরুক য়াখি।